# পি ভি সিন্ধু, সক্সি মালিক, দিপা কর্মাকরদা প্রসিদেন্টনা খেল রত্না এৱার্দ খুৎশিন্নখ্রে



ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ২৯ ঃ

স্পোর্টসতা নুপীগী থৌনাবু শকখঙবা ওইনা পাঙথোকপা থৌরম অমগুম ঙসি রাষ্ট্রপটি ভৱনদা পাঙথোকখিবা চিংলেন্নবা থৌরমদা ওলেম্পিক ষ্টার পি ভি সিন্ধু, সক্সি মালিক অমদি দিপা কর্মাকর য়াওনা শুটর জিটু রাইদা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিংদা পীবা খ্বাইদগী ৱাংবা এৱার্দ রজিভ গান্ধি খেল রত্না ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট প্রনব মুখর্জিনা পীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রে।

নেসনেল স্পোর্টস এৱার্দকী পুৱারীদা অহানবা ওইনা এথলেট মরি খেল রত্না এৱার্দকীদমক খনগৎখি। মসিগী মনুংদা অহুম্না রিও ওলেম্পিক্সতা মশক থোক্লা পার্ফোমেন্স পীখিবা নুপীমচাশিংনা ওইখি।

কুমজা ২০০৯ দা এথলেট অহুম- বোক্সর ভিজেন্দর সিংহ, এম সি মেরি কোম অমসুং রেষ্টলর সুশিল কুমারদা পুন্না এৱার্দ অসি পীখি।

শট্টলর সিন্ধুনা হিষ্টোরিক ওইনা নুপীগী সিঙ্গলসতা সিলভর মেদল লৌখি, সক্সিনা নুপী রেষ্টলিংদা ইনিদয়াগী অহানবা মেদল (ব্রোঞ্জ) লৌখি অদুগা দিপানা অর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক্সকী খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা প্রোদুনোভা ভোল্টতা মরিশুবা পোজিসন তাদুনা পুৱারী শরুক অমা শেমখিবনি।

হৌখিবা এসিয়ন অমদি কম্মনৱেলথ গেমস য়াওনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা মথংশিংনা গোল অমদি সিলভর মেদল লৌখিদুনা হৌখিবা চহী অনী অসিদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীদুনা লাকখিবদগী রিওদা মেদল লৌগনি হায়না আশা চাউনা তৌখিবা শুটর জিটু রাইনা রিও গেমসদা মেদল অমত্তা লৌবা ঙমখিদে।

খেল রত্না এৱার্দ লৌনবগীদমক এথলেট মরিনা প্রসিদেন্ট প্রনব মুখর্জিগী মনাক্তা চঙলকখিবদা রাষ্ট্রপতি ভৱন্দা তিনখিবা শান্নরোয়, মশক নাইরবা মীয়াম, মিনিষ্টরশিং অমদি ভি আই পিশিংনা অহৌবা খুবাকশিং খুদুনা অপেনবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। এৱার্দ অদুদা মেদল অমা সার্টিফিকেট অমদি কেস এৱার্দ ওইনা লুপা লাখ ৭.৫ য়াওরি।

থৌরম অদুদা শান্নরোয় ১৫ অমসু অর্জুনা এৱার্দ পীদুনা ঈকায় খুম্নখি। এৱার্দ অসিদা ষ্টেটুটি, সার্টিফিকেট অমদি কেস এৱার্দ ওইনা লুপা লাখ ৫ য়াওরি।

রিও গেমসদা মিটর ৩০০০ গী ষ্টেপল চেসতা মশক থোক্লা চেনখিদুনা তরাশুবা মফম কনখিবী অশাংবা লমজেল চেনবী ললিটা বাবর, মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা মেদল লৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী অহুমশুবা বোক্সর শিভ থাপা অমদি হোকি প্লেয়র ভি আর রঘুনাঠ অমসুং রাণি রামপালসু অর্জুনা এৱার্দ ফংখিবশিংগী মনুংদা য়াওরি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা টুয়েন্টি ২০ সেরিজগীদমক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈখিবা ইন্দিয়ন টিমগী মেম্বর অজিঙ্কয়া রহানেদি এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াবা ঙমখিদে। মহাকপু অর্জুনা এৱার্দ পীনবগীদমক খনগৎপদা য়াওখিবনি। অন্দর-২০ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল লৌখিবা নহা ওইরিবা জেভলিন থ্রোৱর নীরাজ চোপ্রাসু চহী অসিগী অর্জুনা এৱার্দ ফংবশিংগী মনুংদা য়াওরি। মহাক ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙন্বা অহানবা ইনিদয়ন এথলেটসু ওইরিবনি।

অর্জুনা এৱার্দিশিংগী লিষ্ট মনুংদা গোলকিপর সুব্রাটা পাউল মতোমতা ফুটবোল্লর ওইনা য়াওরি অদুগা শুটর অপুরভি চান্দেলা অমদি রেষ্টলর ভিনেশ ফোগটসু এৱার্দিশিংগী মনুংদা য়াওরি।

রিও ওলেম্পিক গেমসতা মহাক্কী সেকেন্দ রাউন্দগী বাউট চথরিঙৈ মনুংদা মখুউদা অশোকপা লৈখিবদগী লায়েংদুনা লৈবনা ভিনেশনা এৱার্দ অদু লৌবদা হ্বিলচিয়রদা ফম্লগা লৌখি।

চহী অসিগী ওইনা দ্রোনাচার্য্যা এৱার্দনা কোচ তরুক্তা পীখি। মখোয়গী মনুংদা য়াওরিবশিং অদুদি দিপাগী কোচ বিশেশ্বর নন্দি অমদি ইন্দিয়াগী টেষ্ট টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিগী মেন টর রাজকুমার শর্ম্মা য়াওরি।

## FULL LIST OF AWARDEE

**Rajiv Gandhi Khel Ratna Award 2016**

| Name of awardee | Discipline |
|---|---|
| P.V. Sindhu | Badminton |
| Sakshi Malik | Wrestling |
| Dipa Karmakar | Gymnastics |
| Jitu Rai | Shooting |

**Dronacharya Award 2016**

| Name of awardee | Discipline |
|---|---|
| Nagapuri Ramesh | Athletics |
| Sagar Mal Dhayal | Boxing |
| Raj Kumar Sharma | Cricket |
| Bishweshwar Nandi | Gymnastics |
| S. Pradeep Kumar | Swimming (lifetime) |
| Mahabir Singh | Wrestling (lifetime) |

**Arjuna Award 2016**

| Name of awardee | Discipline |
|---|---|
| Rajat Chauhan | Archery |
| Lalita Babar | Athletics |
| Sourav Kothari | Billiards & Snooker |
| Shiva Thapa | Boxing |
| Ajinkya Rahane | Cricket |
| Rani | Hockey |
| Subrata Paul | Football |
| V R Raghunath | Hockey |
| Gurpreet Singh | Shooting |
| Apurvi Chandela | Shooting |
| Soumyajit Ghosh | Table Tennis |
| Vinesh Poghat | Wrestling |
| Amit Kumar | Wrestling |
| Sandeep Singh Mann | Para-Athletics |
| Virender Singh | Wrestling (deaf) |

**Dhyan Chand Award 2015**

| Name of Awardee | Discipline |
|---|---|
| Satti Geetha | Athletics |
| Sylvanus Dung Dung | Hockey |
| Rajendra Pralhad Shelke | Rowing |

# বৃটেনগী এন্দি মরেনা য়ু এস ওপনদা মহাক্কী মরিশুবা মেজর টাইটল লৌনবা মিৎয়েং থল্লি





ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ২৯ ঃ

হন্দক্তা লোইশিনখিবদা ঙাইখ্রিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা গোল্ড মেদল লৌদুনা থংন-থংননা অনীরক গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রবা বৃটেনগী এন্দি মরেনা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী পাঙথোকপা হৌখ্রবা চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম ইভেন্ট অমা ওইরিবা য়ু এস ওপনদা মহাক্কী মরিশুবা মেজর টাইটল লৌনবা মিৎয়েং থল্লি।

চৎলিবা চহী অসিগী ফ্রেঞ্চ ওপনগী ফাইনেলদা নোভাক জোকোভিচকী মখুৎতা মায়থীহৌখিবা মরেনা ক্বিন্স ক্লব টাইটল, ৱিমব্লেদন চেম্পিয়নশিপকী অনীরকশুবা টাইটল অমসুং রিও ওলেম্পিক্স গেমসকী টাইটল লৌদুনা মায় পাক্লা চঙশিল্লিবনি। মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী মশক থোকপা পার্ফোমেন্স ওইনা থংন- থংননা মেচ ২২ মায় পাকপগী খোঙচৎ অদু হন্দক্তা সিন্সিনাটি ওপনদা মরিন সিলিকনা লোইশিলহনখি। অদুবু মহাক্না য়ু এস ওপনগী অনীরকশুবা ওইনা টাইটল লৌনবা মিৎয়েং থল্লিবা অসিদা অপনবা পীবিনবা লৈত্রি।

নিংশিংবা য়াই চহী মরিগী মমাঙদা মরেনা ন্যু য়োর্কতা য়ু এস ওপনগী টাইটল লৌদুনা চহী ৭৬ কী মতুংদা বৃটিশ মচা অমনা অহানবা ওইনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌবা ঙন্বসু ওইখিবনি। মরেনা চহী অসিগী ওইনা গ্রান্দ স্লাম অহুম্মক্তা শান্নদুনা ফাইনেল ফাওবা য়ৌবা ঙমখি। ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অমদি ফ্রেঞ্চ ওপনগী ফাইনেলদা মরেনা নোভাক জোকোভিচকী মখুৎতা থংন- থংননা অনীরক মায়থীদুনা রন্নরস-অপ তাহৌখি। মতুং ৱিমব্লেদনদা মরেনা অহানবা ওইনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা কনাডাগী মিলোস রাওনিকপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অহুমশুবা মেজর টাইটল লৌবা ঙমখি।

মরেনা ন্যু য়োর্ককী ফ্লসিং মেদোজদা শিংথানিংঙাই ওইবা রেকোর্দ থন্বা ঙমদনা লৈরি। মহাক্না কুমজা ২০১৩ অমদি কুমজা ২০১৪ গী য়ু এস ওপনদা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীদুনা লৈহৌখি। মমাঙ চহীদনা সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসনগী মখুৎতা মরিশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌখি। বৃটিশ মচা অসিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী পাঙথোকপা হৌখ্রবা ওপন অসিদা শুংশোই শোয়দনা টাইটল লৌগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি।

অমরোমদা য়ু এস ওপনগী দিফেনিদং চেম্পিয়ন নোভাক জোকোভিচনা চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম অসিগী টাইটল লৌদুনা পুৱারী শেম্নবা আশা তৌরি। জোকোভিচনা কুমজা ১৯৬৯ দা রোড লেভরনা কেলেন্দর ইয়র অমদা গ্রান্দ স্লাম মরিরক লৌখিবা অদুগুম্না কেলেন্দর ইয়র অমদা গ্রান্দ স্লাম মরিমক লৌনবা চঙশিনখ্রবসু ৱিমব্লেদনগী অহুমশুবা রাউন্দদা লৈহৌখিবদগী অরেম্বা তাখিবনি। জোকোভিচনা টোরোন্টোদা রেকোর্দ ওইনা ৩০ শুবা মাষ্টর্স ট্রোফি লৌখি। অদুবু মহাক্না হন্দক্তা লোইশিনবদা ঙাইখ্রিবা রিও ওলেম্পিক্সতা অর্জেন্টিনাগী জুআন মার্টিন দেল পোট্রোগী মখুৎতা অহানবা রাউন্দদা মায়থীদুনা লৈহৌখ্রবা মতুং মহাক্কী মখুদাংদা অশোকপা লৈখিবদগী সিন্সিনাটি ওপনদা শরুক য়াবা ঙমখিদে। হৌখিবা কুমজা ২০১১ অমদি ২০১৫ গী য়ু এস ওপনগী টাইটল লৌখিবা সার্বিয়ন অসিনা চৎলিবা চহী অসিদা টাইটল তরেৎ য়াওনা মেচ ৫১ মায় পাক্লগা মেচ ৫ না মায়থীখি অদুগা এন্দি মরেনা টাইটল মরি য়াওনা মেচ ৫০ মায় পাক্লগা মেচ ৭ না মায়থীখি।

নাকল অমরোমদা কুমজা ২০০০ দগী লেপ্পা লৈতনা য়ু এস ওপনদা শরুক য়াদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল মঙারক লৌখ্রবা রোজর ফেদররনা ৱিমব্লেদনদা মিলোস রাওনিক্কী মখুৎতা সেট মঙাদা মায়থীহৌখিবদগী সিজন অসি পোত্থানবা ৱারেপ লৌখ্রে। মহাক্না ৱিমব্লেদনদা শোক্তুনা লৈখিবা খুউগী ফীভম অদু ফগৎলকপা তৌদ্রি।

কুমজা ২০১০ অমদি ২০১৩ গী য়ু এস ওপনগী টাইটল লৌখিবা স্পেনগী রফেল নদালনা রিও ওলেম্পিক্সকী দবলস ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌখ্রবা টুর্ণামেন্ট অসিদা থাজবা অমগা লোয়ননা শরুক য়ারি।

# রসিয়াগী পরা এথলেটশিং পরালিম্পিক্সতা শরুক য়াবা ফংলদবা য়ারি



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ২৯ ঃ

স্পোর্টসতা ষ্টেট স্পোন্সর দোপিং চথে হায়বগী মরালদা রসিয়াবু রিও পরালিম্পিক্সতগী অথিংবা থমখিবদুগী মায়োক্তা তৌখিবা আপিল অদু মায় পাকখিদবদগী লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিং পরালিম্পিক্সতা শরুক য়াবা ফংলদবা য়ারি।

ইন্টরনেসনেল পরালিম্পিক কম্মিটি (আই পি সি) না থা অসিগী ৭ তা অথিংবা থম্নবা লৌখিবা ৱারেপ অদুগী মায়োক্তা রসিয়ানা কোর্ট ওফ আর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্ট (সি এ এস) তা ৱাকৎখিবনি। ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) গী রিপোর্ট অমদা রসিয়া গভর্ণমেন্টনা কনখৎতুনা লৈবাক অসিদা পাক্তক্লনা দোপিং চথে হায়না ফোঙদোকখিবদগী ইন্টরনেসনেল পরালিম্পিক কম্মিটিনা রসিয়াবু রিও পরালিম্পিক্সতগী অথিংবা থমখি।

লৌসানেদা বেজ তৌবা কোর্ট ওফ অর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্ট (সি এ এস) কী মতুং ইন্না আই পি সিগী ৱারেপ অদু অরানবনি হায়না উৎনবা রসিয়ানা খুদম অমত্তা পুথোকখিদবদগী পরালিম্পিক কম্মিটিগী ৱারেপ অদু অচুম্বা ওইনা লৌখি। হীরম অসিগী মতাংদা রসিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর ভিটালি মুটকোনা লৈবাক অসিবু পরালিম্পিক্তগী অথিংবা থম্বা হায়বসি ওইথোক্তবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা পরালিম্পিক গেমস অসি কুমজা ১৯৪৮ দগী পাঙথোকপা হৌরকখি। পরালিম্পিক গেমস অসি হৌখিবা চহী ২০ রোম অসিদা মালেমগী মীয়াম্না মরু ওইবা গেমস অমা ওইনা লৌদুনা লাক্লি।

হৌখিবা চহী মরিগী মমাঙ কুমজা ২০১২ গী লন্দন পরালিম্পিক গেমসদা মালেমগী লৈবাক ১৬৪ দগী তোঙান তোঙানবা এথলেট ৪,৩০০ রোম্না শরুক য়াখি। মথং থাদগী রিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও পরালিম্পিক গেমসতা মালেমগী পরা এথলেটশিংনা দিসিপ্লিন ২৩ দা অথোই-অহেন তান্নগনি।

অমরোমদা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও পরালিম্পিক গেমসদা শরুক য়াদনবা অথিংবা থমখ্রবা রসিয়াগী পরা এথলেটশিংগীদমক লৈবাক অসিনা অখন্নবা কম্পিটিসন অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়না রসিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর ভিটালি মুটকোনা ফোঙদোকখ্রে।

স্পোর্টর্স মিনিষ্টর ভিটালি মুটকোনা হায়খি, লৈবাক অসিগী পরালিম্পিয়নশিংবু অরোইবা ওইনা পরালিম্পিক গেমসদা শরুক য়াবা য়াররোই হায়বগী অরোইবা ফীভম অদু লাক্ত্রিফাওবা লেপ্তুনা ট্রেনিং তৌখিগনি। করিগুম্বা শরুক য়াবা য়াররোই হায়না খঙহল্লকপগা অখন্নবা কম্পিটিসন অমা মখোয়গীদমক পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌগনি হায়না ফোঙদোকখি। রিও পরালিম্পিক গেমস ২০১৬ অসি লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৭ তগী ১৮ ফাওবা রিও দি জানৈরোদা পাঙথোক্কনি।

রসিয়াবু পরালিম্পিক গেমসতগী অথিংবা থমখিবগী মায়োক্তা তৌখিবা আপিল অদু কোর্ট ওফ অর্ব্রিটেসন ফোর স্পোর্টনা ককখ্রবসু মখা তানা স্বিস ফেদরেল কোর্টতা ৱাকৎনবা শেম শারি হায়বা ৱাফম রসিয়াগী মিনিষ্টরনা থম্লদুনা ইন্টরনেসনেল এসোসিএসন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) দা রসিয়াগী এথলেটিক্স ফেদরেসনগী মেম্বরশিপপু অমুক হঞ্জিলহন্নবা রসিয়ানা হোৎনরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এন্টোনিওবু অঙকপা অমা ওইনা ইংলেন্দগী স্কাদতা য়াওখ্রে



লন্দন, ওগষ্ট ২৯ ঃ ৱেষ্ট হাম য়ুনাইটেদকী হৈথোই-শিংথোইরবা মিকাইল এন্টোনিওবু লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৪ দা স্লোভাকিয়াগা মায়োক্লদুনা শান্নগদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়রগীদমক ইংলেন্দগী নৌনা মেনেজর ওইনা থৌ পুখ্রবা সাম এল্লার্দিসকী স্কাদতা অঙকপা অমা ওইনা হাপচিনখ্রে।

মশাগী চহী ২৬ শুরবা লন্দনর এন্টোনিওনা মশাগী চহী ১৮ শুরবা ফাওবা নন-লীগ ফুটবোলদা লৈখি। মতম অদুদা মহাক্না রিদিংদা জোইন তৌখি। মহাক্না চহী অমগী মমাঙদা নোট্টিনঘাম ফোরেষ্টতগী ৱেষ্ট হামদা চোংখি অমদি তোঙান তোঙানবা পোজিসনদা শান্নদুনা লাকখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা মাঞ্চেষ্টর সিটিগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা মেচতা ৱিং বেক ওইনা শান্নখিবা এন্টোনিওনা মখা তানা সেকেন্দ হাফতা ফোরৱার্দতা শান্নখিদুনা মহাক্কী টিমনা ৩-১ দা মায়থীবা পীখিবা অদুদা হেদরদা গোল অমা চনখি।

মহাক্না চহী অসিদা ইংলেন্দনা মঙোন্দা অহেনবা মিৎয়েং থম্লক্ল বগীদমক জমাইকাদা শান্ননবা হায়রকখিবদা য়াখিদবনি।

এল্লার্দিসনা ফুটবোল এসোসিএসনগী ৱেবসাইট (দব্লিয়ু দব্লিয়ু দব্লিয়ু দোট দ এফ এ দোট কোম) তা হায়খি, মহাক অসি মশক থোকপা ফোর্মদা লৈরি হায়না ঐনা খল্লি। মহাক অসি অচৌবা জর্নি অমগী অতোপ্পা নহা অমনি। মহাক্না নন-লীগতগী হৌজিক্লা ইন্টরনেসনেলদা লাক্লে। নহাক্না মহাক্কী অহানবা সিজনদা গোল মাপন চনখি অমদি মহাক অসি অঙকপা এথলেট অমনি। মহাক অসি অফবা ক্রোসর অমদি গোল স্কোৱর অমনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱেষ্ট হামগী মেচতা অমুক হন্না শান্নবা য়াওখিদবা মাঞ্চেষ্টর সিটিগী গোল কিপর জো হার্টনা ইংলেন্দগী স্কাদতা য়াওখ্রবসু মহাক্কী মেচ প্রেক্টিস নিংথিনা তৌদবনা এল্লাদিসতা চিংনবা অমদি ফাওরি। মহাক্না য়ুমশকৈশা নুমিৎকী ট্রান্সফর দেদলাইনগী মমাঙদা লোনদা ক্লব অসি থাদোক্তুনা চৎলবা য়ারি।

য়ুরো ২০১৬ কী লাষ্ট সিক্সটিনদা রোয় হোদসনগী টিমনা আইসলেন্দগী মখুৎতা মায়থীহৌখিবা অদুদা য়াওখিদবা মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী লুক শো, এভরটনগী ফিল জাগিশকা, লৈসেষ্টর সিটিগী দেন্নি দ্রিঙ্কৱাটর অমদি অর্সনেলগী থিও ৱালকোট্টনা স্কাদতা অমুক হল্লকপা ঙমখ্রে। এল্লার্দিসনা রোয় হোদসনদগী মেনেজরগী ফম অসি মমাঙ থাদা লৌখিবনি।

মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী নহা ওইরিবা ষ্ট্রাইকর মার্কস রাশফোর্দসু অন্দর-২১ গী স্কাদ অসিদা য়াওবা ঙমখ্রে। মহাক্না য়ুরোদা ইংলেন্দগীদমক অহানবা ওইনা গোল চনবা ঙমখিবনি।

এল্লার্দিসনা চহী ৪গী মমাঙদা ইনটরনেসনেল ফুটবোলদগী পোথাখ্রবা হান্নগী কেপ্টেন জোন কেরিবু স্কাদতা পুশিল্লক্লবা হোৎনখ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা হাপচিনবা তৌদ্রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা গোল য়াম্না চনবগী রেকোর্দ থল্লিবা মিদফিল্ডর ৱেনি রুনিবু স্কাদ অসিদা কেপ্টেন ওইনা অমুক হাপকদ্রা হায়বদু খঙদনা লৈরি।

টিম অসিগীদমক অহেনবা ৱাফমশিং নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোক্কদবা পাউগী মীফম অমদা এল্লার্দিসনা মীয়ামগী মমাঙদা থমগনিসু হায়রি।

# বাংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা অফঘানিষ্টানগা ও দি আই শান্নগনি

ধাকা, ওগষ্ট ২৯ ঃ ইংলেন্দনা মফম অসিদা থুংলদ্রিঙৈ মাঙওইননা শেম শাবা ওইনা বাংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা অফঘানিষ্টানগা মায়োক্লগদবা মখোয়গী অহানবা ৱান দে ইন্টরনেসনেল সেরিজ অমা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর থাগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্লগনি হায়না লৈবাক অসিগী ক্রিকেট বোর্দকী প্রসিদেন্টকী মতুং ইন্না রিপোর্ট তৌরক্লি।

নিজমুল হাসননা হায়খি মদুদি, ইন্দিয়াদা বেজ তৌবা অফঘানগী টিমনা ধাকাদা ও দি আই মেচ অহুম শান্ননবগীদমক অয়াবা পীরকখি। হায়রিবা ও দি আই মেচশিং অদু ধাকাগী সের ঈ বাংলা নেসনেল ষ্টেদিয়মদা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২৫, ২৮ অমদি ৩০ দা পাঙথোক্কনি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা হাসননা হায়খি, ঐখোয়গী সিনিয়র প্লেয়রশিংনা সিরিজ অসিগীদমক রিকম্মেন্দ তৌরকখি। মদুদগী ঐখোয়না অফঘানিষ্টানবু ঐখোয়গা মায়োক্লদুনা শাননবগীদমক চোবাউ পীখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।



মমাঙ চহীদা পাকিষ্টান, ইন্দিয়া, সাউথ অফ্রিকা অমদি জিম্বাবৱেগা শান্নখিবা সেরিজশিং মায় পাকখ্রবা মতুংদা বাংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদবা সেরিজ অসিনা অহানবা ও দি আঁই সেরিজসু ওইরি। বাংলাদেশ অমদি অফঘানিষ্টান অনীনা ফোর্মেট অমগী মখাদা বাইলেটরেল সেরিজ অমুকফাওবা শান্নখিদ্রি। অদুবু মখোয়না অতোপ্পা টুর্ণামেন্টশিংদদি শান্নবা য়াওখ্রে। হায়রিবা টুর্ণামেন্টশিং অদুগী মনুংদা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ য়াওরি। অদুবু ইংলেন্দনা সিক্যুরিটিগী মতাংদা চিংনবা লৈরবসু বাংলাদেশতা ও দি আই মেচ অহুম অমদি টেষ্ট মেচ অনী শান্ননবগীদমক সেপ্টেম্বর ৩০ দা লাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরিবনি।

# ফ্রেঞ্চ ফেদরেসননা মখোয়গী নুপী টোপ প্লেয়র অনী ওলেম্পিক্তা দিসিপ্লিন কায়বগী অথিংবা থমখ্রে

ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ২৯ ঃ

ফ্রেঞ্চ টেনিস ফেদরেসননা লৈবাক অদুগী নুপী টোপ প্লেয়র অনী রিও ওলেম্পিক্সতা দিসিপ্লিন লৈতবা থৌওং চথুখিবগীদমক অথিংবা থমখ্রে।

মতম খরগী ওইনা অথিংবা থমখ্রবা ফ্রেঞ্চকী টোপ প্লেয়র অনী অদুদি ফ্রেঞ্চকী নম্বর ৱান কারোলিন গার্সিয়া অমদি নম্বর টু ক্রিষ্টিনা মালাদেনোভিকনি। মখোয় অনী চহী অসিগী নভেম্বর থাদা চেক রিপব্লিক্কা মায়োক্লদুনা শান্নগদৌরিবা ফেদরেসন কপকী ফাইনেলদা য়াওবা ফংলরোই।



নুপী অনী অদু য়াওনা নুপাগী টিমমেট বেনোইট পিয়রনা দিসিপ্লিন নাইদবা থৌওং চথুখি হায়না ফেদরেসন্না ফোঙদোকখি। মখোয়বু অহেনবা চৈরাক ফংবা নৎত্রগা ফংদবগী অরোইবা ৱারেপ অদু লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২৪ দা লৌগনি হায়নসু লাউথোকখি।

মালাদেনোভিকনা ওলেম্পিক্সকী দবলস টুর্ণামেন্টদা মায়থীখ্রবা মতুং মহাক্কী লৈবাক্কী ফেদরেসনবু ক্রিটিসাইজ তৌদুনা চৈখি। মহাক্না দবলস মেচ অদুদা গার্সিয়াগা জুরা শেমদুনা শান্নখিবনি।

মহাক্না ট্বীটরদা থাগৎলকখিবা মেসেজদা ফেন্দরেসন্না প্লেয়রশিংদা টুর্ণামেন্টকী রুলশিং নিংথিনা খঙহনখিদে। মখোয়না কোর্টতা চপ মান্নবা মচুগী দ্রেস শেৎখি অদুবু অরোইবা মিৎকুপতা গার্সিয়ানা মহাক্কী টিমমেটতগী দ্রেস ৱায়রগা হোংদোক্তুনা শেৎখি।

পিয়রসনা রিওদা ফেন্দরেসনবু মরাল শীখিবা অমদি ওলেম্পিক ভিলেজদা মতম কুইনা এবসেন্স ওইখিবা অদুগীদমক নেসনেলগী কোচ অনার্উদ দি পাসক্কেলনা পিয়রবু ফ্রেঞ্চ ওলেম্পিক টিমদগী তান্থোকখিবনি।

ফেদরেসন্না থোক্লকখিবা চেরোল অমদা হায়, কারোলিন গার্সিয়া অমদি ক্রিষ্টিনা মালাদেনোভিক অমদি বেনোইদ পিয়রসনা ফেদরেসনগী মিংচৎ থীহনবতা নত্তনা টেনিসকী ইমেজবু মাংহল্লে হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, রিও দি জানৈরোদা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক গেমসদা ফ্রেঞ্চনা অপুনবা মেদল ৪২ লৌদুনা তরেৎশুবা পোজিসন তাখিবনি। ফ্রেঞ্চনা গেমস অদুদা গোল্ড মেদল ১০, সিলভর মেদল ১৮ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ১৪ লৌখি। গেমস অদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অপুনবা মেদল ১২১ লৌদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখিবনি।